মঙাশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮

# ঈ এল এস এ নরানসৈনা অমসুং য়ু কে সী সী এল ওইনাম গোল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মগী শান্নবুংদা থা অসিগী ১৫দগী হৌদুনা চত্থরিবা মঙাশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা ঈ এল এস এ নরানসৈনা অমসুং য়ু কে সী সী এল ওইনাম গোল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা ফুটবোল ক্লব ১৫না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা মঙাশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী মঙাশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা গ্রুপ বিগী য়ু কে সী সী এল ওইনাম অমসুং ঈ এল এস এ নরানসৈনা লম্বা তৌনখি।

মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী ১২শুবা মিনটতা য়ু কে সী সী এলগী মায়কৈদগী ঈ এল এস এগী দি বোক্স তম্না পুশিল্লকপা বোল অমা এলসাগী জর্সি নম্বর ১৯ এল প্রেমচন্দ্রনা দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা ফাওল তাবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীনা মায় পাক্ন বগীদমক এটেক কয়া চত্থনরবসু গোল ওইনা ওন্থোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু গোল ০-০দা লৈনখি। গোল অমত্তা চন্নদনা লৈখ্রবা মতুং টিম অনীনা গোল চন্নবা য়াঙনা শান্নরকপা উখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেচ অদু গোল ০-০দা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা টিম অনীনা অহানবা হাফতা গোল অমত্তা চন্নদনা লাক্লবসু মায় পাক্ন বগীদমক টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল একাউন্ট হাংদোক্নবা এটেক মথং মথং চত্থনরকখি।

মেচকী ৩৪শুবা মিনটতা ঈ এল এস এগী জর্সি নম্বর ৯ কৃষ্ণনন্দনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা মেচ অদু ঈ এল এস এনা গোল ১-০দা মাঙজিল থানা চৎখি। ঈ এল এস এনা গোল অমা মাঙজিল থাদুনা চৎলবসু য়ু কে সী সী এলগী মায়কৈদগী মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্তবা য়াদে মতাংগুম য়াঙনা শান্নরকপা হৌরকখি।

মেচকী ৬২শুবা মিনটতা য়ু কে সী সী এলগী মায়কৈদগী ঈ এল এস এগী গোল পোষ্ট তম্না পুশিল্লকপা বোল অমা ঈ এল এস এগী জর্সি নম্বর ৪ এম রোহিটনা দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা ফাওল তাদুনা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি। মিনট অদুমক্তদা মেচকী ৬২শুবা মিনটতা য়ু কে সী সী এলগী জর্সি নম্বর ৫ রোজিৎনা ঈ এল এস এগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু ঈ এল এস এ অমসুং য়ু কে সী সী এল গোল ১-১দা লৈনখি।

গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী মায় পাক্নবা অহেনবা গোল চন্নবগী তক্লদুনা শান্নরকপা হৌনরকখি। অদুবু মেচ অদুগী অচৈবা তাঙ্কক য়ৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদনা মেচ অদু গোল ১-১দা দ্রো চৎখি।

ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচ অদুদা আই জয়কুমারনা মেচ কম্মিস্নর, টি ঐচ টেজমনিনা রেফ্রি ইন্সপেক্টর, ৱাই লুংসুনা রেফ্রি, এল আশানন্দা অমদি এল ননাওনা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি ৱান অমদি এসিষ্টেন্ট রেফ্রি টু অমসুং দল্লিয়ু ইবোয়াইমনা ফোর্থ রেফ্রি ওইনা ওফিসিএট তৌখি।

মঙাশুবা ঐচ পিশক মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী মখা চত্থরকপা অমদি লীগ রাউন্দগী ৬শুবা মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদা গ্রুপ বিগী এম সী কে কবো ৱাকচীং অমসুং জি দি দি সী থিনুঙ্গৈ লম্বা তৌনগনি।

১৩শুবা চীফ মিনিষ্টর ট্রোফি ২০১৮

# গোপল দেব কাংখূৎনা ৱাঙ্গোই (এল এস কে) বু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস)ঃ মণিপুর কাং এসোসিএসনগী মখাদা বমদিয়রদা লৈবা চীংথাং লাইরেন্বী কাংশঙদা পাঙথোক্লিবা ১৩রকশুবা চীফ মিনিষ্টর ট্রোফি ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা গোপাল দেব কাংখূৎনা ৱাঙ্গোই (এল এস কে) কাংখূৎপু মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখ্রে।

কাংখূৎ ১২না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা চীফ মিনিষ্টর ট্রোফি ২০১৮গী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক ৱাঙ্গোই এল এস কে কাংখূৎ অমসুং গোপাল দেব কাংখূৎ লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা গোপাল দেব কাংখূৎনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা ৱাঙ্গোই (এল এস কে) কাংখূৎনা মায়কৈ খনখি।

ফাইনেল চঙনবগীদমক কাংখূৎ অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাপ্নখিবা কাং অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা গোপাল দেব কাংখূৎনা ৱাঙ্গোই (এল এস কে) কাংখূৎপু পাঞ্জল ২১-১৯দা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অনীশুবা কাংখূৎ ওইখি।

১৩রকশুবা চীফ মিনিষ্টর ট্রোফি ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা এ ওপেন্না অম্পায়র অমদি টি ঐচ ইবোমচানা স্কো পিকর ওইনা শরুক য়াখি।

সী এম ট্রোফি অসিগী ফাইনেল মেচতা গোপাল দেব কাংখূৎ অমসুং এন বি কে এ কাংখূৎ লম্বা তৌনরগনি। পনবা য়াবদি, সী এম ট্রোফি অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা থা অসিগ ১৬তা এন বি কে এনা অমসুং এন বি কে এ (এন) বু পাঞ্জল ৩৮-১৮দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

# আই সী সীনা পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দতা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট বোর্দনা ক্লেইম তৌরকপা অদুগী চাদা ৬০ পীনবা খঙহনখ্রে




দুবাই, দিসেম্বর ১৯ (এজেন্সী)ঃ ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী দিসপ্যুট রিজোল্যুসন পেনেলনা ঙসি ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমগী মতুং ইন্না বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী থংনবা লৈবাক পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দকী মথক্তা লৈবাক অনীগী মরক্তা ক্রিকেট সেরিজ শান্নবদা পাকিষ্টানগী মায়কৈদগী অয়াবা পীরক্তবা অদুগী কেম্পেন্সেসন ওইনা তাল্লকখিবা অদু চাদা ৬০ পীননবা পেনেল অসিনা পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দতা খঙহনখ্রে।

পনবা য়াবদি, বি সী সী আইনা পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দকী মথক্তা লৈবাক অনীগী মরক্তা ক্রিকেট সেরিজ শান্নবগীদমক ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী চহীগী ওইবা সেদ্যুল অমা থমদুনা লৈখিবা অদু পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দকী মায়কৈদগী শান্নবগী অয়াবা পীরক্তবা অদুগী মায়োক্তা বি সী সী আইনা কম্পেন্সেসন ওইনা তাল্লকখিবা অদু পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা আই সী সীদা ৱাফম কয়া পীরকখিবনি।

থা অমরোমগী মতুংদা ক্রিকেট মশান্নগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা পাকিষ্টান ক্রিকেট বোর্দকী অথিংবা অদু য়াখিদবগা লোয়ননা বোর্দ অদুনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট বোর্দতা লৈবাক অনীগী মরক্তা শান্নগদবা ক্রিকেট সেরিজ অদু থিংখিবগী কম্পেন্সেসন ওইনা তাল্লকখিবা শেনফম অদুগী চাদা ৬০ পীগদবনি হায়না ঙসি ৱারোল অমা থোরকপনি।

২শুবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ

# অমোফা মোইরাং অমদি এফ সী মোইরাং গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা ঙরাংদগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচতা অমোফা মোইরাং অমসুং এফ সী মোইরাং গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদগী তোঙান তোঙানবা টিমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদা অমোফা মোইরাং অমসুং এফ সী মোইরাং লম্বা তৌনখি।

মেচ অদু টিম অনীনা মায় পাক্ন বগীদমক হেক হৌরকপদগী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মেচ অদু লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নদনা ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীনা অহানবা হাফতা গোল চন্নবা ঙম্নদনা লাক্লবসু গোল চন্নবা এটেক মথং মথং চত্থনরকখি। মেচকী ৪০শুবা মিনটতা এফ সী মোইরাংগী মায়কৈদগী অমফোগী গোল পোষ্ট তম্না পুশিল্লকপা বোল অমা অমোফাগী জর্সি নম্বর ৮ মহেচান্দনা ফাওল তৌরুবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

মেচ অদু মায় পাক্নবগীদমক টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চন্নবা য়াঙনা শান্নরকপা হৌনরকখি। টিম অনীনা এটেক কয়া চত্থনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা মায়কৈ অনীদগী চত্থনরক্লিবা এটেকশিং অদু দিফেন্দ তৌনখিবনা গোল ওন্থোকপা ঙম্নখিদে।

মেচকী ৬৭শুবা মিনটতা অমুক অমোফাগী জর্সি নম্বর ১৬ মঙ্গিলালনা এফ সী মোইরাংগী মায়কৈদগী চত্থরকপা এটেক অমা দিফেন্দ তৌনবা হোৎনবদা ফাওল তাবদগী রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা মেচ অদু দ্রো চৎখি।

# নেসনল লেভেলদা পাঙথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট করাটে চেম্পিয়নশিপ্তা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুরগী করাটে শান্নরোয়শিং থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচএনএস)ঃ দিমাপুরগী সুখোবিদা লৈবা এ আর টি সী এসতা থা অসিগী ৯দগী ১২ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৬৫শুবা নেসনল লেভেল নোর্থ ইষ্ট করাটে চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মেদল ৫৪ লৌখিবদা মণিপুর এমেচর করাটে এসোসিএসন (এম এ কে এ) না থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট নিপানগী মার্সেল আর্টস করাটে শান্নরোয় নুপা অমসুং নুপী কয়ানা শরুক য়াদুনা তোঙান তোঙানবা কেটেগোরিগী ইভেন্ট কয়াদা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৬৫শুবা নেসনল লেভেল নোর্থ ইষ্টকরাটে চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়াদুনা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুর করাটে টিমগী শান্নরোয়শিং অদুদি সব জুনিয়র বোইজকী চহী ৮ কাঙলূপকী কাটা ইভেন্টতা থোইহেনবনা গোল্ড মেদল লৌখি।

সব জুনিয়র গর্লসকী চহী ১৩গী কুমিটে ইভেন্টকী কেজি ৪৫ মখাগী কেটেগোরিদা এম ঙান্থোইনা গোল্ড, সব জুনিয়র বোইজকী চহী ৯গী কাটা ইভেন্টতা টি ঐচ প্রেমকুমারনা সিলভর, সব জুনিয়র গর্লসকী চহী ৯গী কটা ইভেন্টতা আর কে দাইমন্দনা সিলভর, সব জুনিয়র বোইজকী চহী ১০গী কটা ইভেন্টতা এম দি অয়ুব অলিনা সিলভর মেদল লৌখি।

সব জুনিয়র গর্লসকী চহী ১২গী কটা ইভেন্টতা সী ঐচ প্রিয়াঙ্কানা সিলভর, সব জুনিয়র গর্লসকী চহী ১০গী কুমিটে ইভেন্টকী কেজি ৩০ মখাগী কেটেগোরিদা এন জি মোরিনানা সিলভর, সব জুনিয়র বোইজকী চহী ১২গী কটা ইভেন্টতা হিটলরনা ব্রোঞ্জ, সব জুনিয়র বোইজকী চহী ১০গী কটা ইভেন্টতা আই পুস্পনা ব্রোঞ্জ, সব জুনিয়র বোইজ চহী ১১গী কটা ইভেন্টতা এল ইরাবোতনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

সব জুনিয়র বোইজকী চহী ১২গী কুমিটে ইভেন্টতা কেজি ৩৫ মখাগী কেটেগোরিদা হিটলরনা ব্রোঞ্জ অমদি কেজি ৪০ মখাগী কেটেগোরিদা এন নিটিসনা ব্রোঞ্জ, সব জুনিয়র গর্লসকী চহী ১৩গী কটা ইভেন্টতা এম ঙান্থোইনা ব্রোঞ্জ, সব জুনিয়র বোইজকী চহী ১০গী কুমিটে ইভেন্টকী কেজি ২৫ মখাগী কেটেগোরিদা এ কে অরিয়ানা ব্রোঞ্জ, কেজি ৩০ মখাগী কেটেগোরিদা এন এস অখটরনা ব্রোঞ্জ অমদি কেজি ৩০ মথক্কী কেটেগোরিদা এম দি অয়ুব অলিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

সব জুনিয়র গর্লসকী চহী ১০গী কুমিটে ইভেন্টকী কেজি ৩০ মথক্ক কেটেগোরিদা টি ঐচ প্রিটিনা ব্রোঞ্জ, সব জুনিয়র গর্লসকী চহী ৮গী কটা ইভেন্টকী কেজি ৩০ মখাগী কেটেগোরিদা অমরাপলিনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। সব জুনিয়র বোইজকী চহী ১১গী কুমিটে ইভেন্টকী কেজি ৩৫ মখাগী কেটেগোরিদা ব্লদলি লৈমজম্না ব্রোঞ্জ অমসুং কেজি ৩৫ মথক্কী কেটেগোরিদা সোইব কৈনৌনা ব্রোঞ্জ, সব জুনিয়র গর্লসকী চহী ১১গী কুমিটে ইভেন্টকী কেজি ৩৫ মখাগী কেটেগোরিদা নিত্যা লৈমজম্না ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

সব জুনিয়র বোইজকী চহী ১২গী কুমিটে ইভেন্টকী কেজি ৪৫ মখাগী কেটেগোরিদা লাংওনবনা ব্রোঞ্জ, সব জুনিয়র গর্লসকী চহী ১২গী কুমিটে ইভেন্টকী কেজি ৪৫ মথক্কী কেটেগোরিদা সী ঐচ প্রিয়াঙ্কানা ব্রোঞ্জ, সব জুনিয়র বোইজকী চহী ১৩গী কুমিটে ইভেন্টতী কেজি ৪০ মখাগী কেটেগোরিদা এন নিটিসনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। সব জুনিয়র গর্লসকী চহী ১৩গী কুমিটে ইভেন্টকী কেজি ৪০ মখাগী কেটেগোরিদা জনিকা য়াদবনা ব্রোঞ্জ, সব জুনিয়র বোইজকী চহী ১৩গী কুমিটে ইভেন্টকী কেজি ৪৫ মথক্কী কেটেগোরিদা রবিসাননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। সব জুনিয়র গর্লসকী চহী ১৩গী কটা ইভেন্টকী কেজি ৪৫ মথক্কী কেটেগোরিদা সঞ্জনানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেদেট মেলগী চহী ১৪দগী ১৫ ফাওবগী কুমিটে ইভেন্টকী কেজি ৬৩ মখাগী কেটেগোরিদা জেমসন হৈখাম্না সিলভর, কেজি ৭০ মখাগী কেটেগোরিদা এস নরেন্দ্রনা সিলভর অমদি কেজি ৭০ মথক্কী কেটেগোরিদা ৱাই ষ্টেলিননা সিলভর, কেজি ৪৫ মখাগী কেটেগোরিদা টি ঐচ নেলসন্না ব্রোঞ্জ, কেজি ৫২ মখাগী কেটেগোরিদা এন জোননা ব্রোঞ্জ, কেজি ৫৭ মখাগী কেটেগোরিদা অর্নাব দ্যুরিনা ব্রোঞ্জ অমদি কেজি ৪০ মখাগী কেটেগোরিদা প্রদিপ য়াদবনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

কেদেট ফিমেলগী চহী ১৪দগী ১৫ ফাওবগী কুমিটে ইভেন্টকী কেজি ৪৭ মখাগী কেটেগোরিদা পি ঐচ ঙান্থোইনা সিলভর অমদি কেজি ৫৪ মথক্কী কেটেগোরিদা কে ঐচ রোসনি অমদি কেজি ৫৪ মখাগী কেটেগোরিদা ইসিতানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। জুনিয়র মেল চহী ১৬তগী ১৭ ফাওবগী কুমিটে ইভেন্টকী কেজি ৬১ মখাগী কেটেগোরিদা সী ঐচ লনচেনবা সিলভর, কেজি ৬৮ মখাগী কেটেগোরিদা ৱাই য়াইফনবা সিলভর, কেজি ৫৫ মখাগী কেটেগোরিদা এম জয়চন্দ্রনা ব্রোঞ্জ, কেজি ৭৬ মখাগী কেটেগোরিদা বিদ্যানন্দা অঙোম্না ব্রোঞ্জ, কেজি ৭৬ মথক্কী কেটেগোরিদা সোরব কুমারনা ব্রোঞ্জ অমদি জুনিয়র মেল চহী ১৬তগী ১৭ ফাওবগী কটা ইভেন্টতা এল য়াইফবনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। সেনিয়র মেলগী চহী ১৮ মথক্কী কটা ইভেন্টতা এল প্রেমজিৎনা সিলভর অমদি সেনিয়র ফিমেলগী চহী ১৮ মথক্কী কটা ইভেন্টতা এস পুজানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। সেনিয়র মেলগী চহী ১৮ মথক্কী কুমিটে ইভেন্টতা কেজি ৭৫ মখাগী কেটেগোরিদা এস চীংলেন লুৱাংনা সিলভর লৌখি।

পনবা য়াবদি নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপাগী কোচ ওইনা সেনসৈ এল রঞ্জিব অদুগা নুপীগী কোচ ওইনা সেনসৈ এল হেমাম্মা লুচিংখিবনি হায়না মণিপুর এমেচর করাটে এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সেনসৈ আর কে লনম্লানা খঙহল্লক্লি।





HL-P/2433/8-31-2,4 feb (alt)




HL-B/5019/16,18,20,22




HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com